৬১শুবা সী সী মীট

# ফাইনেলদা ঙসি নেরোকা এফ সী অমসুং শগোলবন্দ য়ুনাইটেদ থেঙ্গাইনরগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস) ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মীৎয়েং মখাদা চথরকখিবা ৬১শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ, মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট (সী সী মীট) ২০১৮-১৯গী ফাইনেলদা হয়েং নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী নেরোকা য়ুনাইটেদ অমসুং শগোলবন্দ য়ুনাইটেদ থেঙ্গাইনরগনি।

খুমন লম্পাক্কী ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নগদৌরিবা ফাইনেল মেচ অসিগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরমদা ঐচ বি এস কন্সত্রক্সন মেটেরিএলস প্রাইভেট লিমিটেদকী প্রোপ্রাইটর হুইদ্রোম বিক্রমজিৎ, ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এ সনাতোম্বা, নহারোল থৌদাংগী এদিটর কে ঐচ লোয়ালাকপা, অরুন ইন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপ্রাইটর টি ঐচ অরুনকুমার, পি ঐচ ঈ দিগী এ ও অবদুল হকিম অমসুং সোসল ৱার্কর অঞ্জু অয়েকপম্না মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াগনি।

সী সী মীট ২০১৮-১৯গী ফাইনেল মেচ অসিদা মায় পাক্তুনা চেম্পিয়ন ওইনবগীদমক নেরোকা এফ সী অমসুং শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা অকনবা লম্বা তৌনগদৌরি। টিম অনীমক্না হয়েং শান্নগদৌরিবা ফাইনেল মেচ অসিগী মাঙওইননা মাগী মাগী টিমগী ওইবা অরোনবা লাল্লোংশিং য়াংথোক্লবা লোইখ্রে হায়রি।

সেমী ফাইনেলদা নেরোকা এফ সীনা ত্রাওবু গোল ২-১দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি। অদুগা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা সেমী ফাইনেলদা এইম খাবমবু গোল ১-০দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি। হয়েং শান্নগদৌরিবা ফাইনেল মেচ অসিদা করম্বা টিম্না মায় পাক্তুনা সী সী মীট ২০১৮-১৯গী চেম্পিয়ন ওইবগে হায়বদু য়েংমিন্নবা তারি।

অহুমশুবা সঙাই ত্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯

# এ ৱাই ভি এফ এ অমসুং আই ঈ ভি এফ এ দ্রো চৎখ্রে, ভি এস এ আইনা এফ সী ইম্ফাল মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস) ঃ য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন মণিপুরনা শীল্লগা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা চথরিবা অহুমশুবা সঙাই ত্রোফি ভেটরান্স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এ ৱাই ভি এফ এ য়াইরিপোক অমসুং আই ঈ ভি এফ এ সলানথোং দ্রো চৎখ্রে। অদুগা ভি এস এ আই থাংমৈবন্দা এফ সী ইম্ফাল মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা ভেটরান টিম ১৮না শরুক য়ারগা গ্রুপ মরি থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি এ ৱাই ভি এফ এ য়াইরিপোক অমসুং আই ঈ ভি এফ এ সলানথোং শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল চন্নবা ঙম্লদনা লৈখি। মেচকী ২২শুবা মিনটতা এ ৱাই ভি এফ এগী জর্সি নম্বর ১৮ টি ঐচ ব্রোজেননা গোল অমা চল্লগা মেচ অদু এ ৱাই ভি এফ এনা গোল ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। গোল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরবসু অহানবা হাফ লোইরকপা ফাওবদা আই ঈ ভি এফ এনা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।



অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদা এ ৱাই ভি এফ এনা মাঙজিল থারগা চৎলিবা গোল অদু হন্দোক্তবা য়াদে হায়না আই ঈ ভি এফ এগী মায়কৈদগী কন্না শান্নরকখি। মেচকী ৪৬শুবা মিনটতা আই ঈ ভি এফ এগী দব্লিয়ু ধনঞ্জয়না গোল অমা চল্লগা এ ৱাই ভি এফ এগী গোল অদু হন্দোকখি। মখা তানা টিম অনীমক্না মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক অহেনবা গোল চন্নবা কন্না হোৎনখি। অদুবু মেচ লোইশিল্লকপা ফাওবদা অহেনবা গোল চন্নবা ঙম্লদবদগী এ ৱাই ভি এফ এ অমসুং আই ঈ ভি এফ এ গোল ১-১দা দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি ভি এস এ আই থাংমৈবন্দ অমসুং এফ সী ইম্ফাল শান্নখি। অহানবা হাফতা টিম অনীমক্না গোল চন্ননবা এটেম্প কয়া তৌনরবসু গোল ওন্থোকপদি ঙম্লখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৩৯শুবা মিনটতা ভি এস এ আইগী জর্সি নম্বর ১৪ এন উত্তমনা গোল অমা চন্দুনা মহাক্কী টিম্বু মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। গোল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরবসু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমখিদবনা এফ সী ইম্ফাল মায়থীহৌখি। এন উত্তমনা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মেচ অদু ভি এস এ আই থাংমৈবন্দনা গোল ১-০দা মায় পাকখি।

৭শুবা ষ্টেট ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ও এফ এনা সী ৱাই দি ও মায়থীবা পীখ্রে, পি ৱাই সী-বি অমসুং এফ এফ সী সী গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচএন এস)ঃ ফৌদেল য়ুথ ক্লব (পি ৱাই সী) না শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ৭শুবা ষ্টেট ওপন সভেন এ সাইদ কেশ প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ও এফ এনা সী ৱাই দি ও মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা পি ৱাই সী-বি অমসুং এফ এফ সী সী গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১২না গ্রুপ মরি থোক্না খাইদোক্লগা পাঙথোক্লিবা ৭শুবা ষ্টেট ওপন সভেন এ সাইদ কেশ প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী মখা চথরকপা ওইনা ঙসিগী অহানবা মেচতা নুংথিল পুং ২ তাবদগী ও এফ এ অমসুং সী ৱাই দি ও শান্নখি। মেচ অদু ও এফ এনা লাকচনা শান্নখি। অহানবা হাফ হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ মেচকী ১১শুবা মিনটতা ও এফ এগী জর্সি নম্বর ৭ তেলহৈবনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। ঙাইহাক লৈরগা মেচকী ২১শুবা মিনটতা ও এফ এগী জর্সি নম্বর ২১ রতননা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ও এফ এনা মাঙজিল থারিবা গোলশিং অদু সী ৱাই দি ওনা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৩৪শুবা মিনটতা তেলহৈবনা মহাক্কী অহুমশুবা গোল চল্লগা মেচ অদু ও এফ এনা গোল ৩-০দা মাঙজিল থাহনখি। মিনট ৩খক কান্নরগা মেচকী ৩৭শুবা মিনটতা রতননা অমুক মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু ও এফ এনা গোল ৪ মাঙজিল থাবা ঙমহনখি। মিনট অমখক কান্নরগা মেচকী ৩৮শুবা মিনটতা ও এফ এগী জর্সি নম্বর ২ পারিথোইনা মহাক্কী টিমগী ৫শুবা গোল চনখি। গোলশিং অদু হন্দোক্লবা সী ৱাই দি ওগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনরবসু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি। অদুগা মেচ অদু ও এফ এনা গোল ৫-০দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অনীশুবা মেচতা পি ৱাই সী -বি অমসুং এফ এফ সী সী নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদগী শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। অহানবা হাফতা টিম অনীমক্না গোল চন্ননবা এটেক কয়া চথনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্লদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতসু টিম অনীমক্না গোল চন্ননবা অকনবা মওংদা শান্নখি। অদুবু মেচ অদু টিম অনীমক্না লম্বা চানা শান্নখিবনা মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদবদগী পি ৱাই সী-বি অমসুং এফ এফ সী সী দ্রো চৎখি।

অনীশুবা ষ্টেট লেভেল ইন্টর ভিলেজ মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# য়ু সী লাইফ্রাকপম্না চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস) ঃ য়ুনাইটেদ ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়র ক্লব (য়ু এস দব্লিয়ু সী) উচিৱানা শীন্দুনা চথরকপা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল ইন্টর ভিলেজ মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী চেম্পিয়ন য়ু সী লাইফ্রাকপম্না ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা ঙরাং য়ু সী লাইফ্রাকপম অমসুং মিখ্যা ময়াং ইম্ফাল শান্নখি। মেচ অদুদা য়ু সী লাইফ্রাকপম্না মিখ্যা ময়াং ইম্ফালবু ৩-২ (২৮-২৬, ২৪-২৬, ১৬-২৫, ২৫-১৯, ১৫-১৩) দা মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়ারগা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট স্পাইকরনা য়ু সী লাইফ্রাকপমগী এল সমানন্দ, বেষ্ট সেট্টরনা য়ু সী লাইফ্রাকপমগী কে ঐচ নাওতোন, বেষ্ট ব্লোকরনা মিখ্যা ময়াং ইম্ফালগী এ নিংথেম, বেষ্ট প্লেয়রনা মিখ্যা ময়াং ইম্ফালগী কে ঐচ জয়চন্দ্র, বেষ্ট দিফেন্দরনা য়ু সী লাইফ্রাকপমগী এম তোমচৌ অমসুং বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমনা য়ু এস দব্লিয়ু সী - বি উচিৱানা তাখ্রে।

# ইন্দিয়ন বুক ওফ রেকোর্দ ২০১৯গী হোল্ডর মাইনম গীট তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস) ঃ চহী অসিগী ওইনা এসিয়নগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৮দগী তোঙান তোঙানবা লম্ কয়াদা হেন্দাক থোইদোক্লবা মীওই লিশীং ৩গী মনুংদা মীওই ১০০ খনগৎতুনা ফোঙবা ইন্দিয়ন বুক এফ রেকোর্দ ২০১৯ এদিসন্দা মমিং য়াওরকখ্রবা থৌবাল ৱাংমা তাবা মথক লৈকায়দগী মাইনম গীটপু ঙসি থৌবাল ৱাংমা তাবা য়ুথ ক্লব অমদি মৈরা পায়বীনা শীল্লগা হরাউ তরাম্না ওক্তুনা ইকায়খুম্নবা উংখ্রে।



কুমজা ২০১৮গী জুন ১দা মাইনম গীটনা মিনট অমদা এষ্টৈক পুস অপ ৫২, মিনট ১দা মসল পুস ১৯ অমদি মিটর ৮ ৱাংবা থৌরি অনীদা শুপ্নগী সেকেন্ট ৭.০৫তা খূৎনা কাবা ঙমদুনা ইন্দিয়ন বুক ওফ রেকোর্দ চনবা ঙমখিবনি। রেকোর্দশিং অসিগী মনুংদা মিনট ১দা এষ্টৈক ৫২ ঙমখিবা অসিবু শিংথারে হায়না শকখঙবীদুনা চহী অসিগী মার্চ ১৫দা ভোপালগী সান হিরদরাম মেদিকেল কোলেজতা পাঙথোকখিবা এৱার্দ হোল্ডরশিংগী নাইট প্রোগ্রাম অমদা ফোঙখিবা চহী অসিগী ইন্দিয়ন বুক ওফ রেকোর্দ ২০১৯গী এদিসন্দা গীটকী মীং য়াওরকখিবনি।

গীট হৌজিক নোর্থ ত্রিপুরাগী পানি সাগরদা লৈবা রিজনেল কোলেজ ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন (আর সী পি ঈ)দা বেচেলের ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন মরিশুবা সেমিষ্টর তম্লি। মহাক মাইনম ইঙোচা অমসুং মাইনম ওংবী চাওবগী মচানুপানি। গীট ষ্টেট লেভেলদা পাঙথোকপা টেবল টেনিস, ব্রুশু অমদি রেষ্টলিং মশান্নশিংদসু মেদল কয়া ফংলকখ্রবা শান্নরোয় অমনি।

# ১১শুবা লোক্তাক ত্রোফি ঙসিদগী হৌরগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস) ঃ এন ঐচ পি সী লিমিটেদ লোক্তাক পৱার ষ্টেসন মণিপুরনা স্পোন্সর তৌরগা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএসন (অমোফা) না শীন্দুনা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা চথগদবা ১১শুবা লোক্তাক ত্রোফি ২০১৯ হয়েংদগী হৌরগনি।

তোঙান তোঙানবা টিম তরুক্না শরুক য়ারগা গ্রুপ অনী থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১শুবা লোক্তাক ত্রোফি অসিগী অহানবা মেচতা অমোফা অমসুং এস এস য়ু শান্নরগনি।

ত্রোফি অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা টিমশিংগী মনুংদা গ্রুপ এদা য়াওরিবশিং অদুদি অমোফা, এস এস য়ু অমসুং এস য়ুনি। অদুগা গ্রুপ বিদনা নেরোকা, কে পি এফ সী অমসুং নিশানি।

অমরোমদা, অমোফা মোইরাংনা শীন্দুনা মোইরাং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা এপ্রিল ১০দগী ২২ ফাওবা চথগদৌরিবা ১১শুবা লোক্তাক ত্রোফি অসিদা ওফিসিএট তৌগদবা ওফিসলশিংগী মীং ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী জেনরেল সেক্রেটরি ইন চার্জ এল জোতিরমোই রোয়না থোকপা ওফিস মেমোরেন্দম অমনা লাউথোকখ্রে।

ওফিস মেমোরেন্দম থোক্তুনা খল্লে হায়রিবা ওফিসলশিং অদুদি মেচ কম্মিস্নর ওইনা আই জয়কুমার, রেফ্রি ওইনা সাপম কেনেদি, দব্লিয়ু স্প্রিংসন, পি ঐচ লম্থোইবা, এস ঐচ সুরেস, টি ঐচ কিরঞ্জিৎ, কে ঐচ রঞ্জিৎ, আর কে রঞ্জন, য়ুলুং লুংসু, এল সদানন্দা, এম দি অমিরখান, এম পুন্সি অমসুং পি ঐচ দিনেশ্বরনি।

১১শুবা লোক্তাক ত্রোফি ২০১৯গী খল্লবা ওফিসলশিং অসিনা লাক্লিবা এপ্রিল ১০গী অয়ূক পুং ১০ তাবা মতমদা মোইরাং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা লাক্তুনা অমোফাগী সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন কে রামেশ্বরদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়নসু ওফিস মেমোরেন্দম অদুদা পল্লি।

ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
| --- | --- | --- |
| বিষ্ণুপুর | ২১.৯৬ °C | ১৪.০২ °C |
| চান্দেল | ৩১.৬১ °C | ১২.১৯ °C |
| সীসীপুর | ২২.৬৭ °C | ১২.৪৩ °C |
| ইম্ফাল | ২২.০০ °C | ১২.৮৫ °C |
| সেনাপতি | ২৩.৬৬ °C | ১১.০৮ °C |
| তমেংলোং | ২১.৭৫ °C | ১২.৬১ °C |
| থৌবাল | ২১.২৪ °C | ১৩.২৯ °C |
| উখ্রুল | ১৭.৮১ °C | ১১.৬১ °C |
| মণিপুর | ৩১.৬১ °C | ১১.০৮ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৮.৯৯ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৩৪
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| --- | --- |
| Euro | 78.174976 |
| US Dollar | 69.324799 |
| British Pound | 90.495079 |
| Australian Dollar | 49.533723 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.328839 |
| Japanese Yen | 0.622714 |
| Malaysian Ringgit | 16.912881 |
| Australian Dollar | 49.533723 |
| Singapore Dollar | 51.249390 |
| South Korean Won | 0.060840 |
| Saudi Arabian Riyal | 18.486613 |
| Thai Baht | 2.182084 |
| Myanmar Kyat | 0.04611 |
| Bangladesh Taka | 0.82246 |

Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | |
| --- | --- | --- |
| Chennai | – | Rs 32673.80 |
| Mumbai | – | Rs 33208.56 |
| Delhi | – | Rs 33155.08 |
| Kolkata | – | Rs 33647.06 |

Important Phone Nos.

| | |
| --- | --- |
| Fire Service | 101 |
| RIMS | 2414478 |
| J.N. Hospital | 2450385 |
| DG Control | 2450100 |
| Imphal P/S | 2450002 |
| City P/S | 2458515 |
| Lamphel P/S | 2414616 |
| Singjamei P/S | 2450316 |
| Porompat P/S | 2441404 |
| Patsoi P/S | 2436015 |
| Lamsang P/S | 2413725 |
| Wangoi P/S | 2434066 |
| Nambol P/S | 2453235 |
| Lilong P/S | 2432246 |
| Irilbung P/S | 2571216 |
| Lamlai P/S | 2426149 |
| Sekmai P/S | 03875-266208 |
| Mayang/Imphal P/S | 03879-209306 |
| Thoubal P/S | 03848-222305 |
| Yairipok P/S | 03848-263232 |
| Kakching P/S | 03848-261229 |
| Moreh P/S | 03873-261210 |
| Moirang P/S | 03879-262201 |
| Jiribam P/S | 03876-221205 |
| Bishnupur P/S | 9615230277 |

Today's Flights Timing (Non Stop only)

| | |
| --- | --- |
| IMPHAL → | AGARTALA |
| IndiGO | 13:25 |
| IMPHAL → | BENGALURU |
| IndiGO | 10:30 |
| IMPHAL → | DELHI |
| Air Asia (India) | 13:00 |
| IndiGO | 14:30 |
| IMPHAL → | GUWAHATI |
| IndiGO | 09:45 |
| Air Asia (India) | 11:30 |
| IndiGO | 12:20 |
| IndiGO | 13:45 |
| Air India | 14:20 |
| IMPHAL → | HYDERABAD |
| IndiGO | 10:00 |
| IMPHAL → | KOLKATA |
| IndiGO | 11:00 |
| Air India | 14:55 |
| IndiGO | 15:30 |
| Air India | 17:30 |




HL-B/5178/6/02-10/4(alt.)



HL-B/5228/23/2 to 27/4(alt)



HL-B/5235/27/2-30/4(alt.)


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com